# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ৭৪

**ডা. এল শশীকুমার, য়ূরেম্বম**

> *আই এল পিগী ঈহৌদি হিমালয় চীংজাউ লাক্কুনা নম্থরবসু মখল মখাগী মীহাৎ মীপুন, মখল মখাগী ব্রান্টেদ লাউথোক্কুনা কৈদৌনুংদা নমথবা খক ঙম্লোই। জুন ১৮ দা থোকখিবা মীহাৎ-মীপুন্দগী শরুক চাম্মা-চাম্মা হেন্না চোংথোরক্লগনি। চীংমী তম্মী মচিন মনাওগী মরক্তা নুংশিনদনবা হোৎনরিবা রাজনিতি দল, তোঙান তোঙানবা এন জি ও পূম্নমক ৱাখল তামিন্নদুনা মীশি মীনা, মীহাৎ মীপুন য়াওনদ্রিঙৈদা ঙসিগী লৈঙাক সাসনগী মরৈ অনী লোংবা রাজনিতিৱালা পূম্নমক্না চনিং তানা খন্থবা মতম ওইরে।*

**মণিপুরগী** লৈঙাক অসি নোংমা নোংমগী চাওখৎ লম্বীদা চৎপগী মহুত্তা হেন্না হেন্না লৈখা তানা শোকচিনবগী মওংদা লাক্লে। চহী খরসিদা শেঞ্জা থুমজা, শঙ্গ-পঙ্গগী মায়কৈরোমদা খুমাং য়াংনা মচিন তুম্না চখৎলকই। মসি ময়েক শেংলবা শক্তমনি হায়বসি ফোংনা লৈবাক মীয়াম্না খঙনরে। মীয়াম্না খঙনবতা নত্তনা লৈবাক ৱাথোক ফাওবা ওইনরক্লে। ঙসি চখরক্লিবা লৈঙাক সাসন অসিনা মরম ওইরগা মখা তারকপদা মখল মখাগী মীশি-মীনা থোরকপা য়াবা তাঙ্কক য়ৌরে।

ঙসিগী লৈঙাক সাসনগী ফমজাও পায়বশিং অসিনা মহাক্কী শক্তিগী মনুংদা লৈঙাক সাসন্দা নুংশিনদনবগী পোরম কয়া শন্দোরক্লে। মসি ঙম্নমক সাসন মনুংদা য়াওমিন্নরিবা খুদিংমক খঙনা খঙনা মশা মশাগী নুংঙাইনবা হোৎনবদা অমনা অমগী মথক্তা ৱাফম অমা ফাওবা হায়দোক্লবা ঙম্নদবগী তাঙ্কক য়ৌরে। ঙসি লৈঙাক অসিদা মণিপুরগী করম্বা লোইশঙদা করম্বা মওং তাবা লোইশঙশিং য়াওরিবগে হায়বা থিগৎতুনা য়েংবগী তঙাইফদবা লৈতবা নত্তে। লোইশঙগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনসু এম এল এ, মন্ত্রি ফাওবা মৱা লৌদনা মনিং তম্না মাগী মাগী অনিংবদা চৎলি হায়বসি পূম্নমক্না খঙনরে। মসিমক তঙাইফদনা শেমদোকপগী মতম ওইরে। মপূং ওইনা লোইশঙশিংদা লৈরম্বা ওফিসার খুদিংমক মশা মশাগী চপ চাবা মহৈগী থাক্কী মথক্তা চহী কয়া থবক পুরকপগী তোপ তোপ্পা লৌশিং লৈরবা কয়ানি। ঙরাং নহান থিকা খরা তৌরগা, নমথাক লৌনম তৌরগা শেঞ্জাও পায়বা মশা মশাগী মহৈগী থাক য়াওদবা কয়ানা এম এল এ, মন্ত্রি ওইরকপা হায়বসি মতম শাংনা ওফিসকী থবক পায়রকপা চহী ১০/২০ গী মপূং ফারবা নোলেজ লৈরবশিংদা করিগী পাউতাক পাউদম পীরুগনি। ওফিসারশিংদগী হংলগা, তান্নরগা থবক তৌবসিদি অপাৎপদা হয়িং থাজিনবগুম থোক্লে।

মরম অদুনা রাজনিতিৱালাশিং পূম্নমক তোঙান তোঙানবা লোইশঙশিংগী ওফিসারশিংনা করিসু মৱা লৌবীদবনি। মতাংসিদা ঙসিগী লৈঙাক সাসন অসিদা শোয়থরক্লিবসি কদাইৱাইদনো? এম এল এ, মন্ত্রি খুদিংমক শক্কা-শক্কা উনদুনা ৱারী শানরিঙৈ মতমদদি তরাম-তরাম তৌবা, লৈথোকখ্রগা ওফিসারশিংনা খন্নহৌরিবশিং পূম্নমক খঙনা-খঙনা করিসু তৌদনা লৈথোকপা য়াওদবা নত্তে। মসিমক মণিপুরগীতা নত্তনা ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা শেমদোকপা মথৌ তাই। ইন্দিয়াগী সংবিধান মশক মুন্না খঙদবা থিকাদার শেঞ্জাও পায়বা কয়ানা রাজনিতিদা চঙশিল্লকপা হায়বসি খরদং হেন্না নৈনবগী মতম য়ৌরে। ডেমোক্রেসিনি হায়দুনা শিনফমগী খেনবা থমদবা হায়বসিমক মতাং খরদা কূপ্না নৈনবগী মথৌ তাই। রাজনিতিবু ফাগী ওইনা খন্দোকপা তরাইবা নত্তে। তশেংনমক এল পি, এম ঈ, হায়স্কুল, কোলেজগী থাক্তা ওজা ওইনবা চঙবা মতমদা মাগী মাগী মহৈগী থাক লেপ্পবগুম, রাজনিতি য়াওবা হায়বসিসু তঙাইফদনা মহৈগী থাক লেপ্পা মতম ওইরে। মসিমক অনৌবা পারা অমা ডেমোক্রেসিগী নুং-পান ফাওবা য়াবা, পোরম য়াৎপা তাঞ্জা অমনি হায়বসি পূম্নমক্কী খন্থমীন্নবগী মতম ওইরে। ইন্দিয়াগী সংবিধানগী নুং-পান ফাওনা খঙদবগী ঙসিদি ৱাথোক কয়া থোরকপা হৌরে। ঙসি চখরক্লিবা থৌওংসিদি লৈবাক কাং-খোং চাইরক্লবগী মরম কয়া লৈতবা নত্তে।

মণিপুর ঙসিদি মৈথক্তা য়াইবা ঙাগুম্লে। মতম মতমগী হোংলকইবা ঈচেল, মতম মতমগী ঙম্না ঙম্নবা নমশিন্দুনা থম্নবদগী ৱাথোক নোংমা নোংমগী মশীং হেনগৎলকই। মসিমক অনৌবা অমদি নত্তে। মণিপুর বিধান সভানা এম এল এ খুদিংমক্তা য়েৎনবা লৈতনা পাস তৌখ্রবা বীলবু হৌজিক য়ানিংদবা ফোঙদোকপা অঙকপা নৎত্রা? মসিমক রাজনিতিগী ইতিহাসতা কাওঙম্লরোইদবা ৱাফম অমনি। মণিপুর বিধান সভানা পাস তৌখ্রবা বীল অমবু মসিগীসু মথক্তা সাসন পায়রিবা কোংগ্রেস দল মনুংগী মরক্তা য়াওরিবা এম এল এ, মন্ত্রি ফাওবা মমায় অনী লোংবগী শক্তমদা লাক্লবরা? ৱাফম অসি লৈঙাক্কী লুচিংবা ওইরিবা ও ইবোবীনা নুং-পানগী রোল শান্নবশিং করিগী মশক খঙনা খঙনা তুমিন লৈশিল্লিবনো? তেল্লবা থা খরগী তুংদগী মণিপুর লৈঙাক্তা শোয়দনা অহোংবা মশক খঙনরগনি। ঙসিগী লৈঙাক অসি ওপোজিসন য়াওদবা লৈঙাক্কা চপ মান্নরে। কোংগ্রেস মনুংগী ৱা তোঙান্না থম্লগা এম এল এ ওইনা লৈরিবা রুলিংদা য়াওদবা এম এল এশিং খরনা তুংগী পুন্সি অমদি রাজনিতিগী খোঙচৎ অসি য়াম্না মুন্না খন্থবা মতম ওইদ্রিবরা? মণিপুরগী রাজনিতিগী ৱাফম তরাইবা নত্তে, মমাঙঙৈগী চহী খরগী রাজনিতিদগী খরা হেন্না অহোংবা অওনবা লাক্লগনি। মতম অমদা শেঞ্জাও পায়বা কোংগ্রেস মতোমতা ওইরম্বনি। অদুবু মতমদুদা শেঞ্জাও পায়বা কোংগ্রেসকী লাংদগী লায়রবা মীয়াম নাম্থোকপা ঙম্লমদবনি। ঙসিদি শেঞ্জাও পায়বা ইন্দিয়াগী অওনবা সাসন অমা মীৎমাংদা সয়ং ওইনা থোরক্লে।

লায়রবা মণিপুরগী মীয়ামসু অওনবা অহোংবা পামদনিঙাই লৈতে। মতম অমগী শেঞ্জাও পায়বা কোংগ্রেসকী সয়ং ওইনা লম্বা চোংথোরক্লে। খুদিংমক খরদং পুকচেল শেংনা সাসন তৌবগী মতম লাক্তবা নত্তে। ঙসিমক সাসন পুমিন্নরিবা মরক্তগী নাম্থোক্তুনা চৎনবা শেম শান্নরিবা করিগী মীয়াম্না খঙলোই। মীয়ামগী মীৎয়েং, মীয়ামগী নাকোং কৈদৌনুংদা মেনবা ঙম্লোই। থম্মোয় শেংনা মশা মশাগী পার্টিবু নুংশিবা, মরমদম মণিপুরবু কন্নিংবা ওইরম্লবদি মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বা আই এল পিগী ৱাথোক কয়াদা চয়েৎনরিবসি লৈফম থোক্তে। হন্দক্কী আই এল পিগী ৱাথোক্তা মণিপুরবু খাইবুং-খাইবুং তাহন্নবগী মরম অমত্তা তরাইবা নত্তে। আই এল পিগী বীল অসিনা মণিপুরগী লৈমায়দগী নাপল তৌরম্বা, ৱাজাও ঙাঙলম্বা রাজনিতি দল খরদি মরু ফংনা মুৎখিগনি। লোয়নননা নুং পানগী অরোনবা শক্তম লৌরম্বা রাজনিতিৱালা খরসু রাজনিতিদগী পুন্সি লোইবা মশানা তাবনি। ঙসিদগী থা ৬/৭ কী মনুংদা মীয়াম্না ময়েক শেংনা উবা ফংলগনি।

মসিগী মথক্তা আই এল পিগী ঈহৌদি হিমালয় চীংজাউ লাক্কুনা নম্থরবসু মখল মখাগী মীহাৎ মীপুন, মখল মখাগী ব্রান্টেদ লাউথোক্কুনা কৈদৌনুংদা নমথবা খক ঙম্লোই। জুন ১৮ দা থোকখিবা মীহাৎ-মীপুন্দগী শরুক চাম্মা-চাম্মা হেন্না চোংথোরক্লগনি। চীংমী তম্মী মচিন মনাওগী মরক্তা নুংশিনদনবা হোৎনরিবা রাজনিতি দল, তোঙান তোঙানবা এন জি ও পূম্নমক ৱাখল তামিন্নদুনা মীশি মীনা, মীহাৎ মীপুন য়াওনদ্রিঙৈদা ঙসিগী লৈঙাক সাসনগী মরৈ অনী লোংবা রাজনিতিৱালা পূম্নমক্না চনিং তানা খন্থবা মতম ওইরে। লৈঙাক সাসনগী মনুংদা য়াওরিবা শক্তি পায়বশিং মীয়াম তিনবা মফমদা বীল অসিগী মনুংদা চীংমী তম্মী নুংশিবা শাবশিং মাগী মাগী কেন্দ্রদা চৎখ্রগা হু কামশিন্দুনা মচোই-মচোই তানবা শিল্লিবশিং মীয়াম্না খঙদবা য়াওদে। মীয়ামগী নাকোং, মীয়ামগী মীৎয়েং তরাইনা খন্দোকপা লানগনি।

মমৈথঙদা অতেবা ষণ, ৱা ঙাঙদনা তাশিন্দুনা খাঙলকপশিং ঙসি খাঙবা ঙম্বগী ৱাংমদা লাক্লে। মসি ঙম্নমক লৈঙাক্কী লুচিংবশিং করিগী তুমিন লৈশিনবনো? ইরমদম ইফুরুপ, মচিন মনাও ওইবগী থকসি-খাসি খঙবা মতম ওইরে। মীয়ামগী ঈহৌ, মীয়ামগী খোল্লাউ কৈদৌনুংদা লেম্না খক মাঙবা য়ারোই, মীয়াম পূল্লসি মীয়ামগী ঈহৌ নমথবা মালেমদা খক ঙম্লোই।

মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবশিংগী নুং-পানগী অরোনবশিং খঙই হায়বসি ফোঙদোকপা মতম ওইরে। মপান্দা অফবা শাবশিং মরৈ অনী লোংবশিং মরু ফংনা মাঙহনখ্রসি। মীওইবা ওমর নত্তে। হৌরসি নহারোল, পুল্লসি নহারোল, মীয়াম্বু নমথাক তৌবা লুচিংবা শাবশিং মণিপুরদগী মরু ফংনা মাঙহনখ্রসি, ২১ শুবা চহী চা অসিদগী অনৌবা মণিপুর, অওনবা মণিপুর অমগীদমক চীং-তম অনীগী অপূনবা শক্তম কল্লসি, য়ূমদাংবনা কৈনাবা, অখঙ অহৈ শাবশিং মরু ফংনা মাঙহনখ্রসি জয় মণিপুর, জয় চীং-তম, চীং-তম অনীনা পুল্লগা শেম্বা মণিপুর, চীং-তম অনীগী মীয়াম্না জয় ওইরসি।

## হুইয়েন লানপাউগী তাবুনুংদৈ

**১৫/১০/১৯৯৬, লৈবাকপোকপা**

# ষ্ট্রাইক্কী শাফুদা মহৈরোইশিং

**—ইরাবোত ময়েংবম —**

**''মহৈরোয়শিংগীদি খঙদে ঐখোয়গীদি দাবী ফংদবা য়াদে''** হায়বা ৱাফমসি খন্থনিংঙাই ওইরি নোংমা নোংমগী। মতম কুইনা চখরক্লবা কোলেজ ওজাশিংগী (কেদর বি) ষ্ট্রাইক লোইখ্রবসু চৈনা অদুদি ফুগৎপা ঙমহৌদে। মহৈরোয়শিংগী অরোইবা পুন্সিগী লাইবক লেপকদবা পরিক্ষাগী পুংফমদু য়ৌরক্লে। অদুবু কনানা চুল্লিবা কনানা লাল্লিবা? তৌবতবু পরিক্ষা ময়া নকশিল্লগা হেক হেক ষ্ট্রাইক তৌবগী চৎনবী অমা কেলেন্দর নাইবগুম তৌই। মসি নত্তবা অতোপ্পা পান্থৈ অমা লৈত্রব্রা ? কনাদা চৈফু পীহৌই মহৈরোয়দা নত্তনা। মহৈ তম্বা ফংদ্রবনিনা লাইরিক তমহল্লু হায়বা অমুক লাকপদা ওজাশিংগী উপাই ওইদুনা তৌরিদ্রা? ঙরাং নহানতা ঙাইখ্রি ষ্ট্রাইক্কী চৈফু নংখিবা দি এম কোলেজগী মহৈরোয় কয়া। হন্দকসু থোক্লরে কেদর বিগী চাকথুং। মহৈরোয়গী, ওজাগী, কেদরগী ৱাথোক, তোলোপকী ৱাথোক কয়ানি। করম্বা মতমদা একাদেমিক কেলেন্দর ইয়ার অমা মপূং ফানা খুরৌ চেন্দনা ইংনা লাইরিক তম্বা ফংবা চহীদি খূৎ থেকপা য়ারে। দাবী তরুকনি হায়, মঙাদি য়ারে। ষ্ট্রাইক য়ানখ্রে হায়না থেংনৈ।

অদুবু ঙসিনা করিগী ওরিয়েন্টেল কোলেজগী ধারনা? কোলেজদা মিনিষ্টরগী ভিজিট। থবক তৌবগী মতম চহী ৫৮ দগী ৬০ ওইহল্লু হায়বদা য়ানদ্রি। পূক্লিং লৈতানা মহৈ তম্বা ফংদ্রবা মহৈরোয়শিং হংলি ঙসিসু কৈদৌঙৈ ঈংনা চীক্লা মহৈ তম্বা ফংগদবা? মপান্দা চৎতুনা মহৈ তম্বা ঙম্বা মীওইগীদি চহী মাঙদে। অদুবু শেল থুমগী ফীভম ফত্তবা, চৎপা ঙমদবা মীদি অসুম চহী মাঙদুনা চৎলগদ্রা? মহৈ তম্বা হায়বসিদি তোপ তোপ্পা লম্বী অমনি। নত্তবা ৱাখল, অৱাবা মরিং মরাংবা ৱাখল খক পোকহল্লোইদবনি হায়না খলহন্নবা, মীওইবা মশেল মরক্তা ফত্তবা ৱাখল চুমথোকহন্নিংবগী মগুন চেলহনবা, মীনুংশি চেলহনবা, তুংগী মীরোলগীদমক খনবা তঙাইফদে।

মতাং অসিদা খন্ননিংঙাই ওইরিবদি ওজাশিংগী থবক তৌবগী চহী ৫৮ দগী ৬০ ওইহল্লু হায়বা দাবীসিমক খন্থবা চুমই। তশেংনমক্তি থবক ফংদবগী সমস্যাদা নোংদোল পক্কদৌরবা মণিপুরদা ৱাফমসিমক খনবা চুম্লে। মীওই লাক্ষ ৩ হেনবনা থবক থীরি। শুপ্নতগী মীওই লিশীং অমরোমদনি কান্নবা তাল্লিবা। মখোয়গীদি ফরে। চহী ৬০ হেল্লবা মতুংদা ওল্ড এজ পেন্সন হায়নসু থোরক্লে। লাইরিক লাইশু হৈরবা নহারোল কয়ানা নাকল অমদা থবক ফংদবগী চৈনা ককঙাওনরি। চহী ২ মতম শাংথবদা নহারোল কয়াগী পোৎলুপ হেনগৎলক্কদৌরিবনি। তরাইনা পীবা ঙমফম থোক্তে। কেবিনেট মিটিং তাং ৩/১০/১৯৯৬ নসু পাস তৌবা ঙমখিদ্রবনি, হাথু হাথু তৌবসু চুমদে। ষ্ট্রাইকনি হায়রবদি চপ মান্নে; লিংজেল মান্নে, মতিং ফুদোকই। এটেন্স খক মিস ওইদে অমত্তা। ৱার্কিং অৱার মপূং ফানা লৈনৈ। অদুবু ঙসিদি নৎত্রগা ঙরাংদি পেরিওদ ১/২ মাঙখ্রে করম্না ফুকৎকনি, পরিক্ষা মতম য়ৌরক্লে, সেলেবস কোভর তৌবা নংলরোই হায়না নীংদোন পোন্বা ওজা কনাদি য়াওখি। ষ্ট্রাইক নত্তবা মতমদা ৱার্কিং অৱার মপূং ফাবা কয়া য়াম্মী।

অঙাংশিংবু খঙনবা তাকপীনবগীদি ৱাবীবা ঙমদ্রগা, পরিক্ষাগী মতমদা ষ্ট্রিক ওইজগে হায়বগী ৱাখলদুনা অচুম্বা ওজাগী গুন হায়সিরা? নীংশিংবা য়াই, য়ূমথংনবা নাগালেন্দ রাজ্যদা মফমদুগী মহৈরোয় ওর্গেনাইজেশন্না সার্ভিস এজ ককথদুনা থবক ফংদবগী সমস্যা কোকহনবদা মতেং ওইহল্লু হায়না দাবী তৌদুনা চহী হন্থখিবগী ৱাফম লৈখ্রবনি। মণিপুরনা করিগী? তুংগী হৌগৎলক্লিবা এদুকেটেদ পার্সনগীসু খনবীবা য়াই। শেন্থোক লম্বী লৈজদবা মীগা লৈবা খেন্নবদু চাউনা উবা ফংই। য়াই হায়দুনসু মরম খরা য়েংলগা ওজাশিংগী তুংগী হৌগৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংগী য়েংবীদুনা খ্বাই খুদিংমক্লা দাবী তৌবীরবদি ফগদ্রা খঞ্জে।

অতোপ্পা দিপার্টমেন্টশিংগী কর্ম্মচারিশিংনসু পামলক্তুনা ষ্ট্রাইক লাক্লোইদবগী মরম লৈতে। মহৈ তম্বীদনা করম্না মহৈরোয়শিং মপূং ফাবা লৌশিং ফংগদৌরিবা। মহৈরোয়শিংবু লমজিংবীনবনি ওজাশিং। ষ্ট্রাইক তৌরবসু অমাঙবা লৈতে। তোলোপ কাইদে, মদুনা হেন্না কোমখিনি। মহৈরোয়গীদি মাঙখ্রবা মতম অমুক হল্লক্লোই। পরিক্ষাদি থাদবা য়াদবনিনা থাগনি। মতমদুদা পরিক্ষাগী অশেংবা নীয়মদু ফংবা ঙমগদ্রা? চহী মাঙবদগী ফংলিবা মহৈরোয়গী চৈফু খঙবীফম থোকই। পরিক্ষা পাস তৌরগা অশা কয়া ঙাইদুনা লৈজবা চহী মাঙখিগনি খঞ্জবা মহৈরোয় কয়াদি ক্বালিফাইদ ওইদ্রে হায়দুনা অমুক মাঙহনগদৌরিব্রা? মীরমদা তম্লুবনা হেক্তা মী ওইনা উরিবা কয়াসি করি মরমগীনো হংবা য়াই। ওজাশিংগী অৱাবা কয়াসু লৈঙাক্লা উবীবা, একাদেমিক কেরিয়র ফহনবদা চঙবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতিক চানা থম্বীবা লৈঙাক্লা খঙবীবগা লোয়নননা ওজাশিংনসু হেক হেক মহৈরোয়শিংবু মখোয়গী দাবী খরা ফংনবা হোৎনবদা খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবীবা চুমদে। অদুনা তুংগী খনসি, খুন্নাই কনসি। ওজাগী মহৈরোয়গী মরী খক তৎন-থানবা য়ারোই। অমনা অমবু ইকায় খুম্নবা উৎপীবা মথৌ তাই। ওজাগী গুন ইকায় খুম্নফম থোকপগা লোয়নননা মহৈরোইশিংবু মচাগুম্না ৱাবীবা ওজা মরু ওইরক্লে।

**২৫/১০/১৯৯৬, ইরাই**

# লাইরিক ফোঙবদা চৎনরিবা মচৎ

**—উলেল —**

**মণিপুরী** লোল (মীতৈলোল) ইন্দিয়াগী ৮ শুবা সেদ্যুলগী তাঙ্কক্তা চনখ্রবা মতুং চহী খরসিদা লাইরিক ইরগা ফোঙদোকপগী চৎনবী য়াম্না কনখৎলক্লি। উপন্যাস, ৱারী মচা, শৈরেং অমদি মীগী মরোন দগী হন্দোক্লগা (অনুবাদ তৌরগা) ইমারোল মীতৈলোলদা ইথোকপা অসিনচিংবা মখল কয়াগী লাইরিক্লি হন্দক মরক ফোঙনরিবসি। মসি খোরিরোল (সাহিত্যদা) দা লোল অসি চাওখৎহন্নবগী খোঙথাংনি। ইম্ফাল অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈবা মীওইশিংনা মীশিং য়াম্লগসু ইম্ফালদগী তাম্লবা লমদমগী ইচিন ইনাও, ইচল-ইচে কয়াসু লাইরিক ফোঙনদবদি নত্তে। মীতৈলোলদা (মণিপুরীদা) ফোঙনরিবা লাইরিকশিংসি বঙ্গালি ময়েক্তনা য়াম্মী, মীতৈ ময়েক্তদি খরদনি।

খুন্নাইসিগী মী অয়াম্বনা বঙ্গালি ময়েক্তা মপী লাইরিক তম্নরকপনা হৌজিক হৌজিকসু মীপুম খুদিংনা য়াম্না থুনা পাবগা খঙননবা বঙ্গালি ময়েক্তা ওইনা লাইরিক ফোঙনৈ।

লাইরিক ফোঙবগী খ্বাইদগী মফম চাবসি ইম্ফালদা লৈবা মণিপুর হিন্দি পরিষদ এসেমব্লি রোদ মনাক্তা লৈবসিদা ওইনৈ। গাড়ীগী নিল খোঙবগী চাংসু খরমখৈ হন্থবা অদুগা মফমসু খরা চীকপা, চথোক চৎশিন্দসু খুদোংচাবা হায়বদু ওইবদগী লাইরিক ইবা/ইবী কয়ানা মখোয়গী লাইরিক ফোঙবসি মফমসিদা তান্নৈ।

লাইরিক ফোঙবদা হৌজিক তৌনরিবসি অসুম্না পনবা য়াই। লাইরিক পাক্কা বাইন্দিং তৌবা, কচ্চা বাইন্দিং তৌবা লাইরিক মখল খাইদোক্কনি। মমল মান্নহল্লোই। চেখুমদা লাই ফজনা য়েক্কনি। মীৎ থকহনগনি, মী ১০০/২০০ চেপাউ তৌগনি। প্রসিদেন্ট অমসুং চীফ গেষ্টকী তাঙবল অনী শেমগনি। লাইরিক্কী মরমদা ৱা ঙাঙহন্নবা মী ১/২ গী মমিংসু চেপাউদা হাপকনি। মরক থৎনা লইরিক ফোঙবগী অশিন অরাং তৌবা অমনা তিল্লিবশিংদা তাননবা লাউথোক্কনি। ঙসি ফোঙদোকচরিবা লাইরিকসিগী মমল লুপা অসুক থাজবনি অদুবু ঙসিগী ওইনদি লাইরিক্কী মমলসি লুপা অসুক্তা ফংবীগনি। থৌরম লোইদ্রিঙৈদা চা অমা করি অমা লানসিনগনি।

লাইরিক ইবনা মাগী লাইরিক ফোঙবগী থৌরমদা লেংবীরকপা ইবুংঙো ইবেম্মশিংদা তরাম্না তৌবগা লোয়নননা ৱাখল অমসু মদোম খনবা লৈ। এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টতা কোপী ১০০, লাইব্রেরিদা কোপি ১০০, রাজা রাম মোহন রোয়গীদা কোপি ১০০ পূন্না কোপি ৩০০ দি য়োলহৌনবা মীৎকুপ নাহুম শিংদবা য়াদে লাইরিকসি।

লাইরিক ফোঙবদা অসিগুম্বা মওং মতৌ অমসু লাইরিক ইবনা তৌবা য়াওই। অইবনা মাগী ফোঙলবা লাইরিক্তা ই : ''লাইরিকসি ওজা উলেলদা খুদোল তৌজরি'। অদুগা উলেলগা লোয়নরকপা/লাকমিন্নরকপা চেপাউ ফংদুনা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম য়াওরিবা মমান্নবা অদুদদি অইবদগী লাইরিক্কী খুদোল ফংদবনিনা মানা ঙসি লাইরিক ফোঙবগী থৌরমদা য়াওরিবসিদি অইবনা চেপাউ তশেংনা তৌরকপা নত্তবোইরে। মীয়াম মশীং য়াম্নবা অমনা হেক্তা চেপাউ পীশিল্লকপনিদনা অসুম্না খনবা মীসু লৈগনি।

লাইরিক হৈবা/হৈবী খরনা হায়নবা য়াওই, মণিপুরদা লাইরিক ফোঙবসি অরায়বা ওইদ্রে। শেন্দোংগী ৱাখল খল্লুবা য়াদে। ফোঙবসু কোপী মশীং লিশীং অমা নৎত্রগা মসিদগী মশীংগী চাং হন্থনা লাইরিক নম্বনা য়াম্মী। লাইরিক য়োনবদা ৱায়। লাইরিক লৈরগা পাবীনবা মী তাঙই। লাইরিক পুথোকপা লুরে। মরম অদুনা লাইরিক ফোঙবদা লাইরিক অমমম লৈনবা চুম্মী। মসিনা লাইরিক পুথোক্লিবা মী অইবদা অঙম্বা মতেং পাঙবগুম্বনি।

চেপাউ ফংবদগী চুম্না লাইরিক ফোঙবগী থৌরমদা লাকচবসিনা অসুম্না লাইরিক লৈনবোইরে খঙজরুদবদগী থৌরম লোইরম-লোইফাত্রিঙৈদা তুমিন্না হৌগৎখিবসু য়াওদবা নত্তে। মরুপ মপাং থেংনবদা কদোমদা লেংবীরুবগে হংলকপদা মখূৎতা লাইরিক পায়বখক্তনিনা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অমা চৎচরুই খুম্নিংদবদগী কৈথেলদা (বজারদা) অসুম হায়গৎলকপনি খুমজিনবা ইম্ফাল মচা লৈরমগনি। মী অমা মতম মাঙনা মশাগী অচীনবা মথৌ কয়া তুংওইনরম্লগা লাইরিক ফোঙবগী থৌরমদা য়াওররিবনি খন্দুনা অরাকপা মী খুদিংদা লইরিক ইবনা মাগী লাইরিক অমমম খুদোল তৌবগী চৎনবীসি মণিপুরদা লৈ হায়নি হায়জরগসু নীংশিং নীংশিং খূৎ থেকপদা ৱাগনি।

হৌজিক মতমদা বঙ্গালি ময়েক্তা লাইরিক ফোঙনরিবসি লৈঙাক্লা লেপ্পবা মীতৈ ময়েক্তা লাইরিক ফোঙনরবদি ঐখোয়গী মীতৈ ময়েকসি চাওখৎলক্কনি। লৈঙাক্লসু মীতৈ ময়েক চাওখৎনবা পূক্লিং চঙবীদে। অদুগা লাইরিক ইবশিংনসু ময়েকসিদা লইরিক পুথোক্লুদে। (মীতৈ ময়েক্তা পুথোকপদি য়ামদে হায়জবনি।) মীনা অইববু মশক য়াম্না থুনা খঙবা হেনবসি বঙ্গালি ময়েক্তা ইরগা ঐখোয়গী ইরোন্দা ফোঙবনা হেল্লি খন্নে। অদুগীসু মথক্তা অরেপ্পা মীতৈ ময়েক অমা লৈত্রি অসুম্না খন্নবদগী মীতৈ ময়েক্তা লাইরিক ফোঙনদবনি হায়না লৌনবগসু মীনা অইবগী লাইরিক্কী মতিক ময়ায় (মগুন) খঙবীবা ৱাৎকনি থাজবদগী মীতৈ ময়েক্তা লাইরিক ফোঙনদবা ওইরম্বসু য়ারিবনি।

খুনু মখোঙদা শম লৌবা হায়নবগুম চৎনরিবা মীতৈ ময়েক অসিদা অয়েৎপা লৈত্রবা নৎত্রগা মসিনা মীতৈ ময়েক অরেপ্পনি হায়নরবা অদুগীসু মথক্তা মীতৈ ময়েক্তি মসিনিকা হায়দুনা মীতৈ ময়েক অমা লাইরিক হৈবশিংনা তম্নরবা/খঙনরবা/হৈনরবা/ইনরবা মতমদুদা মীতৈ ময়েক্তা লাইরিক স্বা থাদুনা ফোঙনরকখিগদ্রা মদুমদি কোন্নগী ৱানি।

মীতৈলোলগী লোয়নশিল্লোনগী (মণিপুরী খোরিরোলগী) পুক্কৈ লনগৈনিদি হায়রগা ফোঙনরিবা লাইরিকসি (অয়াম্বনা) বঙ্গালি ময়েক্তা ঙাক্তা ইদুনা অসুম ফোঙনদুনা লৈরগদি ঐখোয়গী মীতৈ ময়েক লৈজে হায়দুনা চাওথোকচরিবসি কদায়দনো হংনগনি। মরম অদুনা ঐখোয়গী মীতৈ ময়েক তং তাবা অমা লৈবা/থম্বা/খন্দোকপা হায়বসি মতমসিগী মীরোনগী তৌদ্রবা য়াদ্রবা মথৌ ওইরবনি। তং তারবা মীতৈ ময়েক অমা চৎনরবা মতমদুদা লাইরিক ইবশিংনা/ইরিবশিংনা পাননবা লাইরিক ইবদা বঙ্গালি ময়েক্তা ঙাক্তা লাইরিক ইদুনা ফোঙলগদি মখোয়দা চৈ উহনবা য়ারে। অদুবু হৌজিক্তি শাউনিংলবসু শাউবগী মতাং চাদ্রি। ঐখোয় মীতৈ ময়েক হান্না খঙজিনবা তাবনি।